# বিজয় রুপানিনা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর, নিটিন পটেলনা মহাক্কী দেপ্যুটি ওইরগনি



অহমেদবাদ,দিসেম্বর২২ (এজেন্সী): বিজয় রুপানিনা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর অমসুং নিটিন পটেলনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অদুম্মক ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী মীখলদা মায় পাক্লবা এম এল এশিংনা ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীফম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক সেন্ত্রেল লিদরশিপনা ওবজর্বর ওইনা খনখ্রবা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমসুং বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি সরোজ পান্দেনা ঙসি ন্যু দিল্লিদগী গান্ধীনগরদা থুংলখি।

বি জে পিগী ওইনা ষ্টেট অসিগী ইন-চার্জ ওইরিবা ভুপেন্দর যাদব অমদি কো-ইনচার্জ ভি সটিসসু এম এল এশিংগী মীফমদা শরুক য়াখি।

মীফম লোয়রবা মতুং পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা জেটলিনা হায়খি, বিজয় রুপানিবু লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইহন্নবা মীখলদা মোত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌরে। নিটিন ভায় পটেলবুনা দেপ্যুটি লেজিসলেচর পার্টিগী লীদর খল্লে।

মতৌ করম্না অরোয়বা ৱারেপ লৌখিবনো হায়বগী মতাংদা জেটলিনা হায়খি, মীখলদা মায় পাক্লবা এম এল এশিং অমমমতা ওইনা কৌখৎলগা কনাবু লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইহনবা পান্মগে হায়না হংখি। এম এল এ অয়াম্বনা বিজয় রুপানিবু চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লগা নিটিন ভায় পটেলবুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, হন্দক পাঙথোকখিবা গুজরাটকী এসেমব্লী ইলেক্সনদা অরানবা থৌওং চথখি হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীখ্রে।

ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শেমদোক শেমজিন তৌরগা বি জে পিনা মায় পাকখিবনি হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীরি।

পার্টি অসিগী নৌনা প্রসিদেন্ট থৌ পুখ্রবা রাহুল গান্ধীনা থাংজ নুমিৎতা গান্ধীনগর চৎতুনা হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লী ইলেক্সনদা করি করম্বা অশোয়বা লৈখিবগে হায়বদু য়েংশিনগদৌরি।

অমরোমদা, হিমাচল প্রদেশকী ওইনদি হৌজিক ফাওবা চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই খনবা ঙমদ্রি। বি জে পিগী সেন্ত্রেল ওবজর্বর ওইনা ষ্টেট অসিদা লাক্লম্বা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নির্মলা শিতারমন অমদি নরেন্দ্র সিংহ তোমার ন্যু দিল্লিদা ঙসি হনখ্রে।

বি জে পিগী হিমাচল প্রদেশ ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা মঙ্গল পান্দে য়াওনা লাকখিবা সেন্ত্রেল ওবজর্বরশিংনা মীখলদা মায় পাক্লবা বি জে পিগী এম এল এশিং উনদুনা ৱারী শানবদা লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা খনবা ঙম্বগী ফিভম লৈখিদে।

হীরম অসিগী মতাংদা হিমাচল প্রদেশকী বি জে পিগী প্রসিদেন্ট সটপাল সিংহ সাটিনা হায়খি মদুদি, মীখলদা নৌনা মায় পাক্লবা এম এল এশিংগী ৱাখল্লোন পুন্নমক সেন্ত্রেল লীদরশিংদা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে। কনাবু ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনগদগে হায়বদু সেন্তরনা লৌরকপা ৱারেপকী মখা পোনগনি।

# কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং লোক সভাদগী মপান থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী মায়োক্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু কোংগ্রেসনা ঙসিসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপদগী লোক সভাদা চরাংনবা থোকখ্রে।

টু-জি স্পেক্ট্রুম স্কেমগী মতাংদা বি জে পিনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহদা মরাল শীখিবগীদমক লাল্লে হায়জগদবনি হায়না কোংগ্রেসকী এম পিশিংনা তকশিনখি। হাউসকী মীফম হেক হৌবগা ৱাহং পাউখুম মতমদা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি অমসুং বি জে পিগী অতৈ লুচিংবশিংনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না তকশিনখি।

টু-জি টেলিকোম স্পেক্ট্রম এলোকেসন স্কেমদা চেন্নবা মীওই পুম্ন মক মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী মায়োক্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা চরাংনবা থোরকপদগী রাজ্য সভাদা ঙরাংসু মীফম পাঙথোকপা য়াখিদ্রবনি। রাজ্য সভাদা টু-জি স্কেম কেসকী ৱায়েলগা মরী লৈননা ওপোজিসন কোংগ্রেসনা মীফমদা অপনবা থোকহল্লকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা স্লোগান কয়া লেপ্তুনা লাউশিল্লকপদগী চ্যেরমেন এম ভেনকয়া নাইদুনা হাউসকী মীফম য়ৈথোকপা তাখি।

ওপোজিসন লীদর ওইরিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা ঘুলাম নবি অজাদনা টু-জি স্কেমগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হাউসতা মরিক চুম্বা ৱাফম থমগদবনি হায়না তকশিল্লকখি।

মহাক্না হায়খি, গুজরাটকী মীখল মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা কোংগ্রেসপু হীরম অসিগা মরী লৈননা মরাল শীখি। হৌজিক্তি কোর্টনা ৱাথোক অসিদা চেন্নে হায়বা মীওই পুম্নমক মরাল লৈতে হায়না ৱায়েল পীখ্রবনিনা ৱাথোক্তা চেন্নরিবা মীওইশিং কনা কনানো হায়বদু প্রাইম মিনিষ্টরদা হাউসতা ময়েক শেংনা থমগদবনি।

অমরোমদা, গভর্নমেন্টনা গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) গী মখাদা তোঙান তোঙানবা মোটোর ভেহিকলশিংদগী লৌবা টেক্সকী চাং হেনগৎহন্নবগী মতাংদা অনৌবা বিল অমা লোক সভাদা পুথোকখ্রে।

# নুংশিৎ মোৎশিল্লকপদগী দিল্লিদা ওদ-ইভন স্কীম চৎনহন্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী): নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী ন্যু দিল্লিদা লন্নাই গাড়ীশিংদসু ওদ-ইভন স্কীম চৎনহনগদবনি হায়না সেন্ত্রেল পোল্ল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দ (সী পি সী বি) না দিল্লি গভর্নমেন্টতা খঙহনখ্রে।

নবেম্বর ৭ তগী ১৪ ফাওবা দিল্লিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎশিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা নবেম্বর ১৩ দগী ১৭ ফাওবা ওদ-ইভন স্কীম চৎনহন্নবা থৌরাং তৌখি। অদুবু স্কীম অসিদা তোঙান তোঙানবা গাড়ী মখল কয়ামরুম কোমথোক-হনগনি হায়না দিল্লি গভর্নমেন্টনা লাউথোরকপদগী নেসনল গ্রীন ত্রাইবুনেল (এন জি টি) না থৌরাং অদু চৎনবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি। নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা দিল্লি গভর্নমেন্টনা ওদ-ইভন স্কীম চৎনহনবা মতমদা নুপীনা থৌবা গাড়ীশিং অমদি কাংখোং অনী পানবা গাড়ীশিং কোমথোকহনগনি হায়না লাউথোকখি।

ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এন জি টিনা হায়খি, মদুদি নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং হন্থহন্নবগীদমক মখল খুদিংমক্কী গাড়ীশিং স্কীম অসিনা কোনশিনগদবনি।

এয়র পোল্লুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতে হায়না এন জি টিনা দিল্লি, উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা অমদি পঞ্জাব গভর্নমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। দিল্লি য়াওনা সেন্ত্রেল ইনিদয়াদা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী মতাংদা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিনা অমনা অমদা মরাল থংজিন্নবগী থৌওংবুসু এন জি টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হন্দক মরক কা হেনবা মওংদা লৈচিন নোংফাই থাংবগা লোয়ননা ত্রেন অমসুং ফ্লাইট কয়ামরুম কেন্সেল তৌবগী ফিভম লাকপদগী তঙায়ফদনা ন্যু দিল্লিদা ওদ-ইভন স্কীম চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

স্কীম অসিগী মতুংইন্না, তুমাশুবা নম্বর থাবা গাড়ী খুদিংমক নুমিৎ অমদা চেলহল্লগা অতোপ্পা নুমিৎ অমদনা তুমাশুদবা নম্বর থাবা গাড়ীশিং চেলহনগদৌরি। অদুম ওইনমক থৌরাং অসিনা নুমিৎ খুদিংগী বস অমদি টেক্সি তোংলগা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্ন হনবগী ফিভম লাকপদগী মতম খরা স্কীম অসি চৎহনবা ঙমদনা লাকখিবনি।

---

## ঐননে লাইশ্রম সুধাকরবু খবরদা নুংঙাইবা ফোংবীবনে



L. Sudhakar

ঐগীনে LEFT KIDNEY দা নূঙ অমা লৈপীবদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈপীবা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** গীনে হিদাক হপ্তা ৭ (তরেৎ) চাবদগীনে ঐগী নূঙ অদু তাহনবীবনে। মসিগীনে ঐনা মাবু খবরদা নুংঙাইবা ফোংবীবনে।

**Sd/- A. KATIA**
Chowainamai Senapati District

HL-P/4834/23

---

## OPEN DEFICATION FREE ওইরে

Imphal Municipal Corporation (IMC) গী মনুংদা লৈবা ৱার্দ নম্বর ২৫ অসি OPEN DEFICATION FREE ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি। লোয়ননা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিগী মনুংদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (দব্লিউ দি সী) ৱার্দ নম্বর ২৫ গী চ্যেয়রপর্সনদা কমপ্লেন তৌবীবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিসিগী মনুংদা কমপ্লেন তৌরদ্রবদি হায়রিবা ৱার্দ নম্বর অসি ODF ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি।

HL-P/4844/23 খঙহঞ্জরিবী ঃ **Sujata Phaomei,** W/No. 25

---

## OPEN DEFICATION FREE ওইরে

Imphal Municipal Corporation (IMC) গী মনুংদা লৈবা ৱার্দ নম্বর ২২ অসি OPEN DEFICATION FREE ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি। লোয়ননা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিগী মনুংদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (দব্লিউ দি সী) ৱার্দ নম্বর ২২ গী চ্যেয়রপর্সনদা কমপ্লেন তৌবীবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিসিগী মনুংদা কমপ্লেন তৌরদ্রবদি হায়রিবা ৱার্দ নম্বর অসি ODF ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি।

HL-P/4844/23 খঙহঞ্জরিবী ঃ **N. Kumudini Devi,** W/No. 22

---

## OPEN DEFICATION FREE ওইরে

Imphal Municipal Corporation (IMC) গী মনুংদা লৈবা ৱার্দ নম্বর ১৬ অসি OPEN DEFICATION FREE ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি। লোয়ননা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিগী মনুংদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (দব্লিউ দি সী) ৱার্দ নম্বর ১৬ গী চ্যেয়রপর্সনদা কমপ্লেন তৌবীবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিসিগী মনুংদা কমপ্লেন তৌরদ্রবদি হায়রিবা ৱার্দ নম্বর অসি ODF ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি।

HL-P/4844/23 খঙহঞ্জরিবী ঃ **Th. Eliza,** W/No. 16

---

## OPEN DEFICATION FREE ওইরে

Imphal Municipal Corporation (IMC) গী মনুংদা লৈবা ৱার্দ নম্বর ২৭ অসি OPEN DEFICATION FREE ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি। লোয়ননা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিগী মনুংদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (দব্লিউ দি সী) ৱার্দ নম্বর ২৭ গী চ্যেয়রপর্সনদা কমপ্লেন তৌবীবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নিসিগী মনুংদা কমপ্লেন তৌরদ্রবদি হায়রিবা ৱার্দ নম্বর অসি ODF ওইরে হায়না লাউথোক্লগনি।

HL-P/4844/23 খঙহঞ্জরিবা ঃ **Herojit Ngangomba,** W/No. 27

---


## SCM S. CHAOBA MEMORIAL ENGLISH SCHOOL

SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)

NO DEPOSIT SYSTEM
NO LODGING CHARGES

**ADMISSION OPEN**

**FREE ADMISSION FROM PRE-NUR TO CLASS I**




+91 8974 052 662



Founder
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

**FACILITIES**

1. Free monthly tuition fee for one out of three students from a same parent
2. Half tuition fee for one out of two students of the same parent
3. Free tuition fee for first position holder of every class scoring more than 85% marks
4. First position holder of Class IX student securing 85% mark in promotion exam will be given free studentship including messfee.
5. Top 3 students in pre-board exam securing 85% and above will be given cashaward for special coaching.
6. Thang Ta, Higher Math , Home Science classes as optional classes
7. Boarder's Admission will be refunded if no improvement till FA1 exam.
8. One boarding master for every 25 students
9. Separate study room for class X boarders
10. Available Aqua-guard drinking water for all students.
11. Free studentship for students whose parents are undergoing cancer treatment.

**WANTED TEACHER FOR CLASS IX & X**

| No. of Teacher | Qualification | Category | Mode of Interview : Class Demonstration on 7 Jan. 2018 Time : 11:00 a.m. at School Office |
|---|---|---|---|
| 2 | B.Sc./M.Sc. | Physics/Chemestry | |
| 1 | BA/MA | English | |
| 1 | B.Sc./M.Sc. (Royal) | Maths | |

*Teachers Application form will be available from School Office between 11:00 a.m. to 2:00 p.m.*

HL-P/4807/14 Dec-26Jan. (Alt).

---

SALE! SALE! SALE!

## "BUMPER DISCOUNT SALE" OFF:-

☞ 1. HALF & FULL JACKETS (SIZE 0 TO 34 & GENTS 36 & 38 ONLY)

☞ 2. HALF & FULL JERSEY GENTS MIX VARIETY M & L SIZE ONLY

*Available at a* THROW - AWAY PRICE NOW :-

Flat ₹ 600 / pcs. 2 pcs. For ₹1000/ = only

Offer valid for 15 Days or till Stock Last

*VENUE :-*

**BRIGHTWAYS (1st Floor)**

Opp. Punjab & Sind Bank
Dharamshala Road, Imphal -1

HL-B/4254/2 Dec.-1Jan.(Alt.)

---

## DOCUMENT LOST

I have lost my Driving Licence bearing Licence No. MN-0620150006213 and Smart Card of Vehicle Regn. No. MN-01V2192 in the name of Angom Amuba Meetei both issued by D.T.O Imphal East, on the way from Konung Mamang to Wangkhei Thambalkhong on 19/12/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Mangaal Angom Meetei**
Thambalkhong
☎ 9774978950

HL-P/268/23

---

## DELTA Tutorials

Kwakeithel, Imphal (near Kwakeithel Bazar)

BOSEM / COHSEM / CBSE

**The Largest Coaching Centre for both Sc. and Arts in Manipur**

**Special Attraction:**

- Long Experienced Faculties
- Highly Suggested Questions and Answers
- Study Materials
- CCTV & Wifi Campus
- Regular/ Mock Test
- Van Service
- Hostel for both Boys and Girls

**ADMISSION OPEN**

**FOUNDATION Course for Class X (BOSEM)**

*Subjects Offered:* English, Mathematics, Science & Social Science

Starting from 8th January, 2018

For details, please visit Delta Tutorials Office in between 10.00 am to 7.00 pm

HL-B/4296/21Dec-21Jan.

---

No.5/16/2017-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI (B-1, 2017-18)/RT/758

## Rural Engineering Department
## Manipur State Rural Roads Development Agency (MSRRDA)
## (Department of RD & PR, Govt. of Manipur)

4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC: Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 22nd December, 2017

The Chief Engineer, MSRRDA invites item rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 2 (two) packages of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-I, 2017-18) in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 23-12-2017 to 02-01-2018 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

**Bid submission start date : 23-12-2017.**
**Bid submission end date : 02-01-2018.**
**Date of opening of Technical Bid : 03-01-2018.**

*Sd/-* **Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/4308/23

---

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN

## ACTIVE LEARNER ACADEMY

Sagolband Khamnam Bazar
Near- MIT & I.T.I Takyel Imphal

**MATHEMATIC FOUNDATION COURSE**

Both (BOSEM & CBSE)

**CLASS STARTS ON 15TH JAN. 2018**

*Faculties :*

**Sir, Bhogeshwor**
*25th Years of Teaching Experience, M.Sc. Maths Gold Medalist, Dr. Ambedkar University, Agra*

**Sir, Hemlet,**
*1st Class M.Sc. Maths Manipur University, 10th years of Teaching Experience*

CLASS TIMING : 6:00 A.M.

CLASS TIMING : 6:00 A.M.

**Contact : 9856460221**

HL-B/4296/21, 22, 23

---

Between 9:30 am to 3:00 pm Contact us at: 9612194500

## 1st STATE LEVEL HSLC PREPARATORY EXAM 2017-18

## FOR CLASS X (CBSE & BOSEM)

*ORGANISED BY : EDUCITY*

Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College, Imphal - 795004

1. All the position will be awarded separately for CBSE&BOSEM
   - 1st Position - ₹15,000 + Certificate
   - 2nd Position - ₹12,000 + Certificate
   - 3rd Position - ₹ 9,000 + Certificate
   - 4th to 20th Position - ₹ 1,000 + Certificate
2. Subject Toppers (4 Subject Separately) ₹ 1000 each + Certificate (CBSE 4 + BOSEM 4)

| MARKS | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

Submission Fee ₹400/-
Last Date of Submission : 15th Jan. 2018
Class X (CBSE & BOSEM)
Subjects : Math, Eng, Sc, S.Sc.
Date of Exam: 21st Jan. 2018 (Sunday)
Timing : 9:00 to 11:00 a.m. (CBSE)
12:00 am to 2:00 pm (BOSEM)

*Form Available at :* 1. L.K. Book Store (Lamlong Bazar) 2. Romee Book Store (Moirang Bzr.) 3. I.K. Book Store (Bishnupur Bzr.) 4. Bina Agency (Ningthoukhong Bzr.) 5. Leima Book Store (Nambol Bzr.) 6. Siroy Paper Marth (Kwakeithel Bzr.) 7. Siroy Paper Mart (Singjamei Bzr.) 8. Universal Book Store (Lilong Bzr.) 9. Shilla Books Stationery (Thoubal Bzr.) 10. Sharma Book Store (Yairipok Bzr.) 11. K.B. Stationery (Wangjing Bzr.) 12. K.G. & Sons (Kakching Bzr.) 13. Baby Book Store (Mayang Imphal) 14. Taurus Stationery (RIMS Gate) 15. Leirik Book Store (Khumbong Bzr.) 16. Compact Service (Khuyathong Bzr.)

**WE PROVIDE SHORT STAY HOME FOR FAR AWAY STUDENTS WHO WANTS TO PARTICIPATE IN THE COMPETITION**

HL-P/3068/17Dec-17Jan.

---

भारतीय खाद्य निगम
क्षेत्रीय कार्यालय मणिपुर
ओल्ड असेंबली कम्प्लेक्स
इम्फाल - 795001, मणिपुर

FOOD CORPORATION OF INDIA
REGIONAL OFFICE MANIPUR
Old Assembly Complex
Imphal – 795001, Manipur

Estt. 1/W&W Rectt/RO-Man/2016 Date: 22.12.2017

## NOTICE INVITING ONLINE BIDS FOR APPOINTMENT OF A REPUTED AGENCY FOR RECRUITMENT

Food Corporation of India, Manipur Region invites online bids in the prescribed Bid Document under two bid systems from interested, eligible bidders for conducting Recruitment of Personnel in FCI. The assignment will be for the specific work of recruitment of Watchmen. The Bid Document and other detailed terms & conditions are available at the Food Corporation of India website www.fci.gov.in and www.eprocure.gov.in.

**Critical Date Section:**

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Tender Publishing in News Paper Date | 23.12.2017 |
| 2. | Bid Submission Start Date & Time | 23.12.2017 from 05:00 P.M. |
| 3. | Pre-Bid meeting date, time and venue | 02.01.2018 at 02.00 P.M. at Food Corporation of India, Regional Office, Manipur, Old Assembly Complex, Imphal-795001 |
| 4. | Bid due date (Last day for submission of bid) | 13.01.2018 up to 01:00 P.M. |
| 5. | Online Tender opening date and time | 15.01.2018 at 02:00 P.M. |
| 6. | Date of opening Price Bid | 18.01.2018 at 3.00 P.M. |

HL-P/245/23 Sd/- Dy. General Manager (R)